# ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

## কেএমএমএন রাইদিং স্কুল, তেকচম পোলো ক্লব অমদি খুরাই পোলো ক্লব (এ) মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ০১ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী টিম ৩১না শরুক য়াদুনা ৩৪শুবা এন হজারি এন্দ ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কেএমএমএন রাইদিং স্কুল শিংজমৈ, তেকচম পোলো ক্লব তেকচম অমসুং খুরাই পোলো ক্লব (এ) মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা কেএমএমএন রাইদিং স্কুল শিংজমৈ (এ)না ক্রিপ্সা পোলো টিম নাওরেমথোংবু পাঞ্জল ১২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কেএমএমএন রাইদিং স্কুলগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা এম থোমসননা ৩, অনীশুবা চক্করদা এম থোমসননা ২ অমদি এ রাজেসনা ১, অহুমশুবা চক্করদা এম থোমসননা ২ অমদি ও রোজরনা ১, মরিশুবা চক্করদা ও রোজরনা ৩ চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা তেকচম পোলো ক্লব তেকচমনা পেরেদাইজ পোলো ক্লব ৱাঙ্খেবু পাঞ্জল ৯–২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা তেকচম পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা এম কুবের অমসুং দোরেননা অমমম, অনীশুবা চক্করদা এম দোরেননা পাঞ্জল ২, এম কুবের অমদি এম মানিহারনা অমমম চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা এম দোরেননা পাঞ্জল ২, মরিশুবা চক্করদা এম কুবেরনা পাঞ্জল ১ চনখিবনি।

মায়থিরবা পেরেদাইজ পোলো ক্লবকী পাঞ্জল ২ অদু বি সান্তিকুমার অমসুং কে সমানন্দনা অমমম চনখিবনি।

১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দা খুরাই পোলো ক্লব (এ)না এমপিএসসি (সি)বু পাঞ্জল ৯–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা খুরাই পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা টিঐচ প্রেমকুমারনা অমা, অহুমশুবা চক্করদা সিঐচ গোখালিনা পাঞ্জল ২, টিঐচ ননাও অমদি এস জেমসননা অমমম চনখি। মরিশুবা চক্করদা বি রোমেস অমদি এস জেমসমনা পাঞ্জল ২ / ২ চনখি।

মায়থিরবা এমপিএসসি (সি) গী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এম দেবনাটনা চনখিবনি।

# ৭শুবা ষ্টেট ৱুমেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## এনৱাইভিএ, এমকেএস, এমপিএসসি, টিআরৱাইভিসি অমসুং দব্লিউভিএএসএ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ০১ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এনৱাইভিএ নাওরেমনা শীন্দুনা টিম ৮না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৭শুবা ষ্টেট ৱুমেন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসিদগী হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এমৱাইভিএনা আইকেকেএলৱাইসিবু সেট ৩–০ (২৫–১৯, ২৫–১০, ২৫–১১) দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা এমকেএসনা কেৱাইএলএসসিবু সেট ৩–০ (২৫–৯, ২৭–২৫, ২৫–১৫) দা মায়থিবা পীখি।

অহুমশুবা মেটচতা এমপিএসসিনা আইকেকেএলৱাইসিবু সেট ৩–০ (২৫–৮, ২৫–১৭, ২৫–১৬) দা মায়থিবা পীখি।

মরিশুবা মেটচতা টিআরৱাইভিসি (এ) না এমকেএসপু সেট ৩–১ (২৫–২৩, ১৭–২৫, ২৫–২১, ২৫–১৯) দা মায়থিবা পীখি।

মঙাশুবা মেটচতা দব্লিউভিএএসএনা এমপিএসসিবু সেট ৩–১ (১৫–২৫, ২৫–১৭, ২৫–২৩, ২৫–১৬) দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা এমপিএসসি অমদি টিআরৱাইভিসি, এনৱাইভিএ অমদি দব্লিউভিএএসএ, ৱাইএমদিও অমদি এমকেএস, এনৱাইভিএ অমদি টিআরৱাইভিসিবি, ৱাইএমদিও অমদি টিআরৱাইভিসিএ শান্নরগনি।

# স্পেনগী কোপা দেল রে ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা মেলিলাবু ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, বার্সেলোনানা লিওনেশাবু ১–০ দা থোইখ্রে



মাদ্রিদ, নভেম্বর ০১ঃ

স্পেনগী মরুওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা মেলিলাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা বার্সেলোনানা লিওনেশাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।

রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং মেলিলানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নরবসু মিনট ২০ হেল্লকপগীদি রিয়েল মাদ্রিদনা খুদুম চন্দুনা মেলিলাগী শান্নরোইশিংবু থম্বা ঙমখি।

শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী চথরকখিবা এটেক্ত অমদা কারিম বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মখাতানা শান্নরকপা মতম খরা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক্ত অমদা মারকো এসেন্সিয়োনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অনী শোখদুরনা লৈরিবা মেলিলাগী শান্নরোইশিংনা রিয়েল মাদ্রিদকী মাইকৈদা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অদু মায়োক্লবা টিমগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু ঙাক শেন্দুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক্ত অমদা অলবারো ওদ্রিওজোলানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৩–০ হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই কৃষ্টো গোঞ্জালেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না মেলিলাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

কোপা দেলরে ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা বার্সেলোনানা লিওনেসাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইবা ঙমখি।

বার্সেলোনাগী মাইকৈদগী মাইপাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মেটচকী অরোইবা মিনটতা ক্লিমেন্দ লেংগ্লেটনা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা জিরোনা অমসুং দিপোর্টিভো অলাবেস পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

জিরোনাগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ১৮ অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা দিপোর্টিবো আলাবেসকী পাঞ্জল অনী অদুনা শান্নবগী ৬৩ অমসুং ৬৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।।

# ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নভেম্বর ০১ঃ

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১১দগী নহাবমদা লৈবা বাস্কেটবোল কোর্টতা ষ্টেট সেনিয়র মেন বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিবু য়াওনিংবা ক্লবশিংনা প্লেয়র ইজিলিবিলিটিগী ফোর্ম অমসুং ইন্ত্রি ফোর্ম মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীদগী লৌরবা য়াগনি। অমদি ফোর্ম থাজিল্লকপগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৫ দনি হায়না মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জিএ সনাতোম্বা শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙল্লক্লি।

# কেসোকুমার ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ ২০১৮গী ৱিন্নর এফসি লমজাওনা তাখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ০১ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন দিএসএ ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা ১৬শুবা কেসোকুমার মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী অরোইবা মেটচতা এলৱাইএ অমদি এসদব্লিউসি ৱাইখোং দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী ৱিন্নর এফসি লমজাওনা পোইন্ট ১৩ ফঙদুনা অহানবা অমসুং লাইফম য়ুঠ এসোসিয়েসন (এলৱাইএ) ৱাংঙনা পোইন্ট ১১ ফঙদুনা অনীশুবা তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা মেটচতা এলৱাইএ অমদি এসদব্লিউসি গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

এলৱাইএ গী গোলশিং অদু এস বোগেননা মেটচকী মিনট ১০, ৪০ দা চনখি। এসদব্লিউসিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ সিঐচ সিতলজিৎনা মিনট ২৩ দা অমা, জর্সি নম্বর ১৩ তেজ কুমারনা ২৪শুবা মিনটতা অমা চনখি।

মেটচ অসিদা টিঐচ পসুরাম, সিঐচ শ্যামসন, কেঐচ শকহেনবা অমদি টিঐচ ধনেশ্বরনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমদি এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

| Rank | Team | P | W | D | L | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC | 5 | 4 | 1 | 0 | 13 |
| 2 | LYA | 5 | 3 | 2 | 0 | 11 |
| 3 | SWC (W) | 5 | 2 | 2 | 1 | 8 |
| 4 | DYA | 5 | 1 | 1 | 3 | 4 |
| 5 | PYA | 5 | 1 | 0 | 4 | 3 |
| 6 | KMSWC | 5 | 1 | 0 | 4 | 3 |

# ৬শুবা দব্লিউৱাইএলসিও ৱাটর পোলো চেম্পিয়ন্সপ



ইম্ফাল, নভেম্বর ০১ঃ

ৱেলফিয়র ওফ দি য়ুঠ লিভরেল এন্দ কন্দক ওর্গনাইজেসন (দব্লিউৱাইএলসিও) না শীন্দুনা ঙসিদগী কোংবা বজারদা লৈবা শ্যাম পুখ্রি শ্বিমিং পুলদা টিম মরিনা শরুক য়াদুনা ৬শুবা দব্লিউৱাইএলসিও কপ ৱাটর পোলো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ হৌখ্রে।

ঙসিগী অহৌবা মেটচ শান্নখিবদা সিএসসি ৱাঙ্খেনা দব্লিউ ৱাইএলসিও কোংবাবু পাঞ্জল ৭–৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা সিএসসিগী পাঞ্জলশিং অদু কেপ নম্বর ২ ও বিক্রমনা পাঞ্জল অহুম, কেপ নম্বর ৪ এল অমরজিৎনা পাঞ্জল অনী, কেপ নম্বর ৫ এ নোংথাংনা পাঞ্জল অনী চনখি।

মায়থিহৌরবা দব্লিউৱাইএলসিওগী পাঞ্জলশিং অদু কেপ নম্বর ৪ টিঐচ গুলসননা পাঞ্জল অনী, কেপ নম্বর ৭ এনজি সোগিন অমদি কেপ নম্বর ৬ এল বমকিমনা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

হয়েংগী মেটচ ওইনা কেৱাইও অমদি কেদব্লিউপিসিনা অহানবা, কেদব্লিউপিসি অমদি দব্লিউৱাইএলসিও না অনীশুবা অমদি কেৱাইও অমসুং সিএসসিনা অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

# ফার্ষ্ট নবা মেমোরিয়েল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নভেম্বর ০১ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিৱাইদব্লিউসি থম্নাপোকপীনা শীন্দুনা ফার্ষ্ট নবা মেমোমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮দা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা ঙসিদগী হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এনআইভিএ নাওরেমনা য়ুৱাইদিসি উপোকপীবু সেট ৩–০ (২৫–২০, ২৫–২১, ২৫–৮) দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা ৱাইপিএ হিয়াংলম লাক্তবদগী সাইনিং ষ্টার চুরাচন্দপুরনা ৱার্ক ওভর ফঙখ্রে।

অহুমশুবা মেটচতা টিৱাইদব্লিউসি থম্নাপোকপীনা এসয়ুদব্লিউসি ইরেংবমবু সেট ৩–০ (২৫–১৯, ২৫–১৫, ২৫–২০) দা মায়থিবা পীখ্রে।










Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*